# লিবিয়াগী ইষ্টর্ন কম্মান্দরনা বেনঘাজি সিটি মনীং তমহল্লে হায়না লাওথোকখ্রে



ত্রিপোনি, জুলাই ০৬:

ইস্লামিষ্টশিংগা চহী কয়ামুক লাল শোক্লরবা মতুংদা লিবিয়াগী বেনঘাজি সিটিগী নোংপোক থংবা শরুক মনিং তমহল্লে হায়না লিবিয়ন নেসনেল অর্মি (এল এন এ) গ্রুপ অসিগী মকোক্লা ফোঙদোকখ্রে।

ফিল্ড মার্সেল খলিদা হফটননা সিটি অদু সিক্যুরিটি, ঈং চীকপা ফিভম অমসুং অমগা অমগা শন্দাইনবগী তাঙ্কক অমদা লাক্লে হায়না ফোঙদোকখি।

করিগুম্বা মহাক্কী ৱাফম অদুনা অচুম্বা ওইবা তারবদি লৈখিদ্রবা লিবিয়াগী ষ্ট্রোংমেন মুআমর গফাদিগী অর্মিগী মতম অমদা কম্মান্দর ওইখিবা মীওই অসিগী অচৌবা মায় পাকপা অমা ওইরগনি হায়রি।

অমরোমদা এল এন এ অসি লিবিয়াগী য়ু এননা শৌগৎপা ত্রিপোলিদা লৈরিবা গভর্ণমেন্টনা মশক খঙদে।

কুমজা ২০১১দা গফাদিবু মফমদগী চীংথুখিবদগী লিবিয়াগী ইরাং মরক্তা ইস্লামিক ষ্টেট য়াওনা এক্সত্রিমিষ্ট ওর্গনাইজেসনশিংনা লৈবাক অসিদা খোংফম অমা থম্বা ঙমখি।

য়ুমশকৈশা নুমিৎতা টেলিভিজনদা শন্দোকখিবা মীয়ামদা পীবা স্পীচ অমদা ফিল্ড মার্সেল হফটরনা হায়খি মদুদি, টেররিজম অমসুং মসিগী এজেন্টশিংগী মায়োক্তা চহী অহুম লেপ্তুনা লাঞ্জং চঙশিল্লকখিবা মতুংদা ঐখোয়না নখোয়দা বেনঘাজিবু মনিং তল্লে হায়না লাওথোক্লি।

মহাক্লা ৱাফম অসি বেনঘাজিগী সবরি দিষ্ট্রিক্টতা চয়োল অসিদা ইস্লামিষ্টশিংগা অকনবা লাল শোক্ল খিবা মতুংদা লাওথোকখিবনি। সবরি দিষ্ট্রিক্টকী লাল অদুদা এল এন এগী ফাইটর কয়া অমসুং লোকল ইস্লামিষ্ট মিলিটেন্ট কয়া শিখি।

সোসল মিদিয়াদা থাগৎপা ইমেজশিংনা বেনঘাজি অমসুং লৈবাক্কী অতৈ মফম কয়াদা সিবিলিয়ান খরনা শাথিরবা কনফ্লিক্ট অদু লোইশিনবগী হরাও তয়াম্বা ফোঙদোকপগী শক্তমশিং উৎখি। কনফ্লিক্ট অদুদা লিবিয়াগী অনীশুবা সিটিগী অয়াম্বা শরুক মাং তাকপা অমসুং মীওই লিশিং কয়া ময়ুম মকৈ থাদোক্লবা উখি।

তৌইগুম্বসুং ফিল্ড মার্সেল হফটরগী পোলিটিকেল অমসুং খুৎলাই পাইবা ওপোনেন্ট কয়া লিবিয়াদা লৈ। মহাক্লা ত্রিপোলিগী গভর্ণমেন্ট শকখঙদে। মদুগী মহুৎতা নোংপোকথংবা শরুক্কী ওথোরিটিশিং ওইনা রিকগনাইজ তৌই। মহাক্কী ওপোনেন্টশিংনা মপান্দগী পৱারশিংগী সপোর্ট খরা ফংবা কম্মান্দর অসিনা লিবিয়াদা ওতোত্রেতিক লৈঙাক চৎনহন্নবা হোৎনৈ হায়না মরাল শিরি।

হৌজিক লিবিয়াদা লানফম অমদা মিলিটরিগী মায় পাকপা লৈবা হায়বসি অতৈ লাল কয়া থোক্লবগী থোং হাংবনি হায়না লৌনৈ হায়রি।

# “নোর্থ কোরিয়াগী মথক্তা অমেরিকাগী অরৈবা ফোর্স খুদিংমক শীজিন্নরকপা য়াই”:য়ু এস





ন্যু য়োক, বৈজিং, জুলাই ০৬:

নোর্থ কোরিয়ানা ইন্টরকন্টিনেন্টেল বলিষ্টিক মিসাইল অমা চাংয়েং তৌদুনা মালেমগী ৱারেপপু থওইদবা উৎখিবা নুমিৎ নিনি লৈরগা রশিয়া অমসুং চাইনানা ত্রম্প এদমিনিষ্ট্রেসনগী ৱাথোক অদুগা মরী লৈনবা থৌরাংশিং য়ানিংদবা ফোঙদোকখিবগা লোয়ননা পিয়োংয়াংগী মায়োক্তা লৈবাক ময়ামগী অমৎতা ওইবা পাউখুম অমা পীবগী থাজবা মাংশিল্লক্লি।

প্রসিদেন্ট ত্রম্পনা শগোলশেন নুমিৎতা নোর্থকী য়াম্না ফৎত্রবা থৌওং অদুগী পাউখুম ওইনা মহাক্লা শাথিবা খোংথাং খরা লৌখৎনবগী ৱাফম খন্নরি হায়না ফোঙদোকখি। তৌইগুম্বসুং মহাক্লা তাংদাংবা থৌরাংশিংদি পনখিদ্রে।

পোলন্দগী কেপিটেল ৱার্সোদা ৱা ঙাংলদুনা মহাক্লা নোর্থকী থৌওংদুগী মতাংদা করিগুম্বা মশক থোকপা খরদি তৌবা তাই হায়খি।

য়ুমশকৈশা নুমিৎতা পাংথোকখিবা য়ু এন সিক্যুরিটি কাউন্সিলগী ইমরজেন্সি মীফম অমদা য়ু এনদা লৈবা য়ু এসকী অম্বেসেদর নিক্কি হেলিনা চাইনা অমসুং রশিয়াবু নোর্থ কোরিয়াগী লিদর কিম জোংগী মখুৎ শমদুনা ঙাক্লৌ পি হায়না মরাল শিখ্রে। মহাক্লা নোর্থ কোরিয়াগী ইন্টরকন্টিটটেন্টেল বলিষ্টিক মিসাইল চাংয়েং অদু মিলিটরি টেন্সন ৱাংখৎহনবা খোংথাং অমনি হায়রদুনা পিয়োংয়াংগী মথক্তা মিলিটরি এক্সন লৌখৎপা হায়বসি ওপসন অমা ওইরি হায়না ফোঙদোকখি।

হেলিনা বৈজিং অমসুং মোস্কোবু পিয়োংয়াংগী মথক্তা থম্লিবা অথিংবশিং হেন্না চেৎশিনহনগদবা য়ু এনগী রিজোলুসন শৌগৎতে হায়না চৈ-থাংখি অমসুং য়ুনাইটেদ ষ্টেটসনা ফোর্স শিজিন্নবগী ৱাফম খন্নরি হায়খি। ঐখোয়না তৌবা ঙম্বশিংগী মনুংদা ঐখোয়গী য়াম্লবা মিলিটরি ফোর্সশিং শীজিন্নবা য়াওরি হায়না হেলিনা মীফম অদুদা ফোঙদোকখি।

হেলিগী ৱাহৈশিংদু য়ুনাইটেদ নেসন্সতা লৈবা রশিয়াগী দেপ্যুটি অম্বেসেদর ব্লাদিমির সফ্রোনকোভনা কন্না য়ানিংদবা ফোঙদোকখি। মহাক্লা সেঙ্কসনশিং হেন্না কনশিনহনবা হায়বসি য়ানিংঙাই ওইদে অমসুং মিলিটরি এক্সন হায়বসি খন্ননিঙাই ওইদে হায়খি।

বৈজিংদা শগোলশেল নুমিৎতা চাইনাগী ফোরন মিনিষ্ট্রিগী স্পোক্সমেন অমনা নুংতিগী লাংবা প্রেস কনফরেন্স অমদা রশিয়ন অম্বেসেদরগী ৱাফম অদুবু শৌগৎখি অমসুং হেলিগী কম্মেন্টশিং অদুগী মতাংদা পূক্লিং ফাথনবা মরী লৈনবশিংদা অপিল তৌখি। মহাক্কা ইসু অসিগী মতাংদা লৈরিবা চাইনাগী মতম শাংলবা ফিরেপশিং নৌহৌনা পনখি।

হেলিনা মীফম অদুদা য়ু এন সিক্যুরিটি কাউন্সিলগী রিজোলুসনশিংবু খোঙ্গাওনহন্দুনা নোর্থ কোরিয়াবু পূক্লিং থৌগৎপা অমসুং লৈবাক অসিগা ললোন ইতিক ফাওবা তৌনবা লৈবাকশিং লৈ হায়না ফোঙদোকখি। অসিগুম্বা লৈবাকশিং অসিনা য়ুনাইটেদ ষ্টেটসকসু মখা তানা ললোন ইতিক্কী এরেঞ্জমেন্টশিং লৈনবা পামই। তৌইগুম্বসুং ঐখোয়না মদু থোকহল্লোই হায়খি। মহাক্লা চাইনাবু অকক্লনা পল্লদুনা নোর্থ কোরিয়াগী ললোন ইতিক অপুম্বগী চাদা ৯০ দি বৈজিংগা তৌনৈ হায়খি।

# ভেনিজ্যুএলাগী নেসনল এসেমব্লিদা খুৎ থোক্লবদা লোমেকরশিং অশোক অপন নংখ্রে



করোক্কস, জুলাই ০৬:

ওপোজিসন কাংবুশিংগী তাথিবা থৌওংশিংনা লাঙ্গোই চল্লবা ভেনিজ্যুএলাগী প্রসিদেন্ট নিকোলাস মদুরোবু শৌগৎপা মীওইশিংনা মখুৎতা পাইপ, চৈ অমসুং নুং পাইদুনা কেপিটেল করকসতা লৈবা লৈবাক অসিগী নেসনল এসেমব্লিদা থোমজিনখ্রে অমসুং ওপোজিসন লোমেকরশিংদা এতেক তৌখ্রে।

ঙরাং লৈবাক অসিগী নীংতম নুমিৎতা ওপোজিসননা কন্ট্রোল তৌবা চেম্বরদা থোকখিবা য়ৈন শুনবগী থৌদোক অদু শেল-থুমগী অচৌবা ক্রাইসিস মায়োক্লরিবা লৈবাক অদুগী খ্বাইদগী নৌবা ইরাংনি।

কেপিটেলদা ওপোজিসন কাংবুশিংনা লমজিংখিবা ইরাংশিংদা গভর্ণমেন্ট শিন্নবা দিমান্দ তৌরদুনা মীশি মীনা ফাওবা য়াওবা ষ্ট্রীটপ্রোটেষ্ট কয়াসু তৌখি।

থৌদোক থোকফমদা লৌবা ভিদিও অমসুং ইমেজশিংনা গভর্ণমেন্ট শৌগৎপা অমসুং ভেনিজ্যুএলাগী মচু অহুমগী ফিরাল পুবা মীওইশিংনা এসেমব্লি বিল্ডিং তম্না থোমজিনবা অমসুং মদুগী চাওরবা উগী থোংশিং নমখাইদুনা চঙবগী শক্তমশিং উৎখি।


হাউস মনুংদনা ঈ তৈরবা ফ্লোরশিং অমসুং ৱালশিং লোয়ননা মশাদা অশোক অপন নংলবা লোমেকরশিংবু কোলিগশিংনা য়েংশীনবীবগী শক্তম উখি।

ওপোজিসন লোমেকর অমেরিকো দিগ্রাজিয়া বোদিগার্দশিং অমসুং নেসনেল এসেমব্লিগী ইমপ্লোয়ী অমনা পুথোকখি। মহাক গভর্ণমেন্টবু শৌগৎপশিংনা এতেক তৌবদা শোকখিবনি।

নেসনল এসেমব্লিগী প্রসিদেন্ট জুলিও বোর্জেসকী মতুং ইন্না, য়ামদ্রবদা লেজিসলেটিভ ইমপ্লোয়ী তরেৎ অমসুং লোমেকর মঙা শোকখি।

এসেমব্লি মনুংদা লৈখিবা জর্নেলিষ্টশিংনা মখোয়দসু ইরাং হৌরিবশিংনা খুৎ থারকখি হায়না ফোঙদোকখি। য়ু এস ষ্টেট দিপার্টমেন্টনা য়ুমশকৈশগী অহিংদা থোকখিবা ষ্টেটমেন্ট অমনা থৌদোক অদু ঙসিদগী চহী ২০৬ কী মমাঙদা ভেনিজ্যুএলানা নিংতম্নবগীদমক্তা কন্না হোৎনজখিবা নুপা অমসুং নুপীশিংদুনা পামজখিবা দেমোক্রেতিক পিন্সিপলশিংদা চথবা এতেক অমনি হায়না ফোদোকখি। ষ্টেটমেন্ট অদুনা ভেলিজ্যুলাগী গভর্ণমেন্টদা নেসনল এসেমব্লি ঙাক শেন্নবা খোংথাংশিং খুদক্তা লৌখৎনবা তকশিনখি।

# চাইনানা ইকনোমিক কোরিদোরগী খুৎথাংদা পাকিস্তান ফাওবা কার্গো সর্ভিস য়ৌহনগদৌরি



বৈজিং, জুলাই ০৬:

ইন্দিয়াদা নুংনাংবা পোকহল্লকপা য়াবা খোংথাং অমদা চাইনানা দোলর বিলিয়ন কয়াগী চাইনা-পাকিস্তান ইকনোমিক কোরিদোরগী খুৎথাংদা পাকিস্তানদা রোদ অমসুং রেল কার্গো সার্ভিস হৌনবা থৌরাং তৌরি।

অনৌবা লম্বী অদু চাইনাগী অৱাং-নোংচুপ থংবা গানসু প্রোভিন্সকী কেপিটেল লনজৌদগী হৌগনি অমসুং সিঞ্জিয়াং উইঘুর ওতোনোমস রিজনগী কাশগর ফাওরগা পাকিস্তানগী গ্বাদর হিথাংফম য়ৌগনি হায়না লানজৌ ইন্টরনেসনল ত্রেদ এন্দ লোজিষ্টিক পার্ককী দিরেক্টর এজেন্সিনা ফোঙদোকখি।

অদুম ওইনমক, সার্ভিস অদু করম্বা মতমদগী হৌগদগে হায়বদুগী মতাংদদি পনখিদে। হৌখিবা চহীগী মেদা লানজৌ অমসুং কথমন্দুগী মরক্তা রেইল অমসুং রোদ কার্গো সর্ভিস হৌখিবনি। সাউথ এসিয়াগী লৈবাকশিংনা কার্গো সার্ভিস অদুবু তরাম্না ওকখি হায়না সুনা ফোঙদোকখি।

হৌখিবা ২০১৬ দা চাইনা অমসুং নেপালনা য়ুআন বিলিয়ন ৩ (য়ু এস দোলর মিলিয়ন ৩৪০) রোমগী ললোন ইতিক্কী তৌনখি। লৈবাক অনীগী ললোন ইতিক ভোল্যুম চহী অসিদা য়ুআন বিলিয়ন ১০ য়ৌবা ঙমগনি হায়না থাজনরি। মমাঙগী নবেম্বরদা চাইনানা লৈবাক অসিগী পোৎলম চৈরমশিং মপান্দা থাদোক্লবগীদমক্তা দোলর বিলিয়ন ৫০ গী চাইনা পাকিস্তান ইকনোমিক কোরিদোর (সি পি ঈ সি) গী নোংচুপ থংবা লম্বী ফাওরগা ললোন ইতিক্কী অহানবা কনভোই থাবা হৌখি। পাকিস্তাননা খুদুম চনবা কাস্মিরগী শরুক ফাওরিবা সি পি ঈ সিগী লম্বীদা পুরিবা পোৎলম চৈরমশিং অদু গ্বাদর হিথাংফমগী খুৎথাংদা মপান্দা চাইথোকখি।

সি পি ঈ সিগী প্লানদা রোদ কন্নেক্টিভিটিগী মথক্তা লৈবাক অনীগী মরক্তা ত্রেন সর্ভিস অমা থম্বসু য়াওরিবনি।

চাইনাগী পোৎচৈশিং অদু ত্রেন্দা সিনজিয়াং ফাওবা পুরকখি। মদুগী তুংদা ত্রকশিংনা করাকোরাম চীংজাও ফাওরগা পুখি।

## অফঘান প্রসিদেন্ট ঘানি পৱার প্রোজেক্ট সম্মিটতা য়াওনবা টাজিকিস্তানদা থুংখ্রে

দুশানবে, জুলাই ০৬:

অফঘানিস্তানগী প্রসিদেন্ট মোহম্মদ অশ্রাফ ঘনি সি এ এম এ-১০০০ পৱার প্রোজেক্টকী সম্মিট অমসুং টাজিক অমসুং পাকিস্তানি লিদরশিংগা ত্রাইলেটরেল মীটিং চথনবগীদমক্তা শগোলশেন নুমিৎতা টাজিকিস্তানগী কেপিটেল দুশানবেদা থুংখ্রে।

অৱাংবা থাক্কী গভর্ণমেন্ট ওফিসলশিংগী দেলিগেসন অমা পুদুনা লাক্লিবা প্রসিদেন্ট ঘানীনা সম্মিট অদুদা স্পীচ অমা পীগনি হায়না খামা প্রেসনা এঘারজি পেলেসকী ৱারোল পল্লদুনা হায়খি।

ঘানিনা টাজিকিস্তানগী প্রসিদেন্ট ইমোমালি রহমোনগা উনদুনা ৱারী শানবদা টাজিকিস্তান অমসুং অফঘানিস্তানগী মরীশিং মখা তানা ফগৎহন্নবগী লম্বীশিং খন্নগনি। মদুগী মতুংদা মহাক্লা অফঘানিস্তান, পাকিস্তান অমসুং টাজিকিস্তানগী ওইবা ত্রাইলেটরেল সম্মিট অমদসু শরুক য়াগনি হায়না ষ্টেটমেন্ট অদুনা ফোঙদোকখি।

হৌখিবা চহীগী মে থাদা পাইখৎপা হৌখিবা সি এ এস এ-১০০০ প্রোজেক্ট অসিগী মখাদা টাজিকিস্তান অমসুং র্ঘিজষ্টাননা কালেন্থা মনুংদা পাকিস্তান অমসুং অফঘানিস্তান্দা মৈ মেগৱাট ১০০০ পীগনি অমসুং অফঘানিস্তানদা হায়রিবা মতমসিদা মেঘৱাট ৩০০ পীগনি।

দোলর বিলিয়ন ১.২ গী স্কিম অদু অফঘানিস্তান, পাকিস্তান, টাজিকিস্তান অমসুং কির্গিজিস্তান শম্নবা অহানবা পৱার প্রোজেক্টনি অমসুং মদু ২০১৮ ফাওবগী মনুংদা লোইশিনবা ঙমগনি হায়না পানরি।

## ব্রেক্সিটনা মরম ওইদুনা বৃটেনগী ফাইনান্স ইন্দষ্ট্রি ময়াই চাইথহল্লকপা য়াই

লন্দন, জুলাই ০৬:

বৃটেননা মখা তানা য়ুরোপকী মাংজিল থাবা ফাইনাসিয়ল সেন্টরগী মফম কন্নবা হোৎনবদা লৈবাকসিনা তঙাই ফদনা ইন্দবা য়াদবা থৌরাং খরা লৈবাক অসিগী খ্বাইদগী মতিক ময়াই লৈরবা ফাইনান্সিয়ল লোবি গ্রুপনা ফোঙদোকখ্রে।

দসিটি য়ু কে কৌবা ফাইনান্সিয়ল গ্রুপ অদুনা ঙসি ফোঙখিবা রিপোর্ট অমনা হায়খি মদুদি বৃটেননা হিরম কয়াদা হৈথোই শিংথোইরবা অখন্নবা ষ্টাফ ওইহনগদবা মীওইশিংগীদমক লৈবাক অসিগী বোর্দর হাংদোক্তুনা থমদ্রবা, ইনফ্রাষ্ট্রক্টচর ফগৎহন্দ্রবা অমসুং শেল থুমগী লমদা মচিন তুমখৎলক্লিবা লৈবাকশিংগা মরী ফগৎহন্দবা তারবদি লৈবাক অসিনা কল্লম্বা য়ুরোপকী মাংজিল থাবা ফাইনান্সিয়ল সেন্টর অমা ওইনা লৈবগী মফমদু মাংখ্রগনি।

রিপোর্ট অদুনা মখা তারদুনা বেঙ্কশিং, ইন্স্যররশিং অমসুং এসেট মেনেজরশিংনা ঈ য়ুগী সিঙ্গল মার্কেটকী কান্নবা লৌনবা মখোয়গী বিজনেসকী মফম হোংদোক্ল বা তৌরকপদা কন্টিনেন্টেল য়ুরোপনা বৃটেনদগী হেন্না ফবা মফম ওইনা খন্নখিবা য়াই। কম্পেনিশিংনা অহানবদা থবক মচা খরা য়ুরোপতা হোংবগা লোয়ননা হৌবা য়ারবসু বিল্ডিংনচিংবা শানবগী মতম লোইবদা মখোয়না বিজনেসকী রিভ্যুশিং পাংথোকপা নত্রগা কেপিটেলদা শেল কা হেন্না থাদবগী তঙাই ফদবা লাকপা মতমদা য়ুরোপতা হোংবগী থবক থুজিনখিবা য়াগনি হায়রি।

## অকিবা ফোঙদোকখ্রে

দামাসকস, জুলাই ০৬:

জিহাদিষ্টশিং মোসুল সিটিদগী মরু ফংনা তকথোকখিবা য়াবগী ফিভম লাকপগা লোয়ননা, মীচম ২০,০০০ লোম সিটি অসিগী ইস্লামিক ষ্টেটনা পাইশিল্লিবা মফমশিংদা লাংদা থুবগুম্না লৈরম্বা য়াই হায়বগী অকিবা ফোঙদোক্লরি।

গভর্ণমেন্ট ফোর্সশিংনা থা নিপান লেপ্তুনা চংশিল্লকখিবা লাঞ্জং লোইশিনবা য়াবগী মতাং নকশিল্লক্লবা মতমসিদা অরিবা সিটি অসিদা ইরাক্কী ওইনা টেরর গ্রুপ অদুগী অরোইবা ষ্ট্রোংহোল্ড লৈরিবনি। য়ুনাইটেদ নেসন্সনা শগোলশেন নুমিৎতা চেকশিনৱা হায়খি মদুদি, টাইগ্রিস তুরেলগী লমগী শরুক্তা চৎথোক চৎশিন য়াদনা লৈরিবা মীচম লিশিং কয়া লাল মরক্তুনা কা হেন্না খুদোং থীনিঙাই ওইবা ফিভমদা লৈ।

# রশিয়া, টর্কি, ইরাননা দি-এস্কেলেসন জোনশিংগী মতাংদা য়ান্নবা পুরকপা ঙমখিদ্রে





অষ্টানা, জুলাই ০৬:

রেজিমগী ফোর্সশিং অমসুং ওপোজিসনগী মরক্তা খুৎ থোক্লবা লেপকদবা সিরিয়াগী মফম মরি শেম্বগী মতাংদা য়ুমশকৈশা নুমিৎতা রশিয়া, টর্কি অমসুং ইরাননা ৱারী শানবদা য়ানবা পুরকপা ঙমখিদ্রে। টর্কিনা ওবজেক্সন কয়া থাঙ্গৎলকখিবদগী লাল লেপকদবা জোন মরি শেম্বগী মতাংদা য়ানবা পুরকপা ঙমখিদবনি হায়না দিপ্লোমেটশিংনা ফোঙদোকখি।

প্রসিদেন্ট বাশর অল-অশাদকী গভর্ণমেন্ট শৌগৎপা রশিয়া লোয়ননা ইরান অমসুং রেবেল কাংবু খরা শৌগৎলিবা টর্কিনা লাক্লিবা ওগষ্ট থা ফাওবগী মনুংদা জোনশিংদু শেম্বগী মতাংদা য়ান্নবা অমা পুরকপা ঙমগনি হায়না থাজরি। হায়রিবা মতমসিগী মনুংদা মখোয়গী দেলিগেসনশিংনা কাজক কেপিটেল অষ্টানাদা অমুক হন্না উন্নগনি।

ঙরাং লৈবাক অহুম্না ৱারী শান্নবদা খুৎ থানরোইদবা জোন মরি শেম্বগী মতাংদা য়ান্নবা পুরকপা ঙমখিদবসি মোস্কোগী ওইনা মাইখুবা অমনি। থৌরাং অদুবু পুথোক্লিবা মরু ওইবা লৈবাক ওইরিবা রশিয়ানা সিরিয়াগী লাল অদুবু লোইশিন্নবা মালেমনা হোৎনরিবা থবকশিংদা মাংজিল থাবা পাল্লিবনি।

নাকল অহুম্না শরুক য়াখিবা খন্ন-নৈনবা অদুদা টর্কিগী মাইকৈদগী চুনবা ৱারেপ অমা লৌবদা মতম খরা চংখিগনি হায়না ৱাফম থল্লকখি হায়বা রশিয়াগী সিনিয়র নিগোসিয়েটর অলেগজেন্দর লভরেন্টেভনা ফোঙদোকখি।

দামাসকস গভর্ণমেন্টগী নিগোসিয়েটর মকোক ওইরিবা বাশর অল-জাফরিনা ময়েক শেংনা ফোঙদোকখি মদুদি, অদুগুম্বা জোনশিং শেম্নবগী এগ্রিমেন্টগী মেকানিজমশিং থবক ওইনা পাঙথোকপগা মরী লৈনবা দোকুমেন্ট অমত্তা টর্কিশ দেলিগেসননা য়ানিংদে।

ওগষ্ট থাগী অরোইবা চয়োলদা পাঙথোক্লবা লেপখ্রবা মথংগী অষ্টানাগী মীফম অদুগী মাংওইননা রশিয়া, টর্কি অমসুং ইরাননা মখোয়গী ফীরেপশিংগী মতাংদা য়ানবা পুরক্লবা ৱার্কিং গ্রুপ অমা শেমখিবনি।

লভরেন্টেভনা হায়খি মদুদি, খা থংবা দি ইসকেলেসন জোনদুগা মরী লৈনবা অকুপ্পশিংদু য়ুনাইটেদ ষ্টেটস অমসুং জোর্দানগা য়ানবা চংই মরদি জোর্দাননা লৈবাক অসিদা বেজ ওইরিবা রেবেলশিংবু শৌগৎলি।

টর্কিশ দেলিগেটশিংনা ৱারী শানবদু লোইরবা মতুংদা মিদিয়াদা ৱাফম অমত্তা ফোঙদোকউ য়াখিদে। য়ু এসকী সেক্রেটরি ওফ ষ্টেট রেক্স টিলরসন্না য়ুমকৈশা নুমিৎতা সিরিয়াদা তং তাবগী ফিভম লাকহন্নবগী খোংথাং খরা মোস্কোগা লৌখৎমিন্নবা য়াই হায়খি অমসুং লৈবাক অদুদা ইস্লামিক ষ্টেটকী মিলিটেন্টশিং থেংনবদা পার্টি খুদিংমক্লা অমগা অমগা মুক্লদনবা অপিল তৌখি।

ADMISSION OPEN FOR B.Sc. Nursing & GNM 2017-18
at Vijayawada A.P.
Offers Govt. Fees specially for Manipur Students
B.Sc Nursing: Fees Rs 26000/- p.a. Hostel Rs 4000/- p.a.
Eligibility - 10+2 EPCB 45% (Aggregate)
GNM: Fees Rs 15000/- p.a. Hostel Rs 3600/- p.a.
Eligibility - 10+2 passed any stream 40%
Mess Fee : Rs. 1,800/- per month
One of the best Medical College in South India, own hospital having 750 beded inside the campus. (Recognised by INC & affiliated to Dr. NTR University)
B.SC. NURSING ADMISSION OPEN 2017-2018
at Gitam University, Vishakhapatnam
→ Tuition fees Rs. 30,000/- (per year)
→ Food & Accommodations Rs. 30,000/- (per year)
Eligibility Criteria : 10+2, PCB 50%
(only female candidate)
SPOT ADMISSION
Top Deemed University having own medical college & hospital
EDUCARE ZONE Babupara, Near BOSEM Imphal
# +91 8794026277 & +91 9436009556
HL-P/0679/2to11-13,15,17,19&21

ANGELS' COACHING CENTRE
URIPOK POLEM LEIKAI
THE MOST TRUSTED COACHING CENTRE IN THE CITY
ADMISSION OPEN - Foundation Course for Class I to X Starts: 22nd June 2017 Time : 4:30 pm - 7:30 pm
Foundation Course for Class XI & XII Starts: 22nd June 2017 Limited Seat





HL-B/3932/10/06-12/07